**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 11.6.2024)**

**জিরি (এল)ঃ** জিরিবামদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা লাক্তুনা য়েংশিনগদবা অমসুং মীয়ামগা উন্নগদৌরিবা অসিগী য়েংলগা জিলা অসিদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমীনা হায়-সিলচর অমসুং জিরিবাম অনিগী মরক্তা লৈবা জিরি তুরেলগী মথক্তা শাবা থোংদা মনিপুর অমসুং য়ুমলোন্নরিবা অসামগী পুলিসনা চৎথোক চৎশিন তৌবশিং নিংথিনা চেক তৌরি। ঙরাং কাংপোকপী জিলাগী কে. সিনাম খুলদা থোকখিবা থৌদোক্তা পন্দুনা লৈরম্বা লৈরম্বা সেক্যুরিতিগী কনবোইশিং ঙসি জিরিবামদা থুংলরে।

অমরোমদা, এম.এল.এ. অশব উদিননা থা অসিগী তরুক্তা লৈখিদ্রবা সোইবম সরত সিংহগী ইমুং মনুং অমসুং জে.এ.সিগী মীওইশিংগা উন্নখ্রে।

**জিরিবাম(এল)ঃ** জিরিবামগী ইরাংনা শোকহল্লবা লমতাই খুনৌদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা হৌজিক বোড়োব্রেকাদা হাংলিবা তোঙান তোঙানবা কেম্পশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিং জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী খুথাংদা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

অমরোমদা, পাটচাউ অপর প্রাইমারি স্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীরোনবী নুপীশিং অমসুং অঙাংশিংদা তিকা কাপথোকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখ্রে।

**ভিজিট (এল)ঃ** কেন্দ্রগী মীহুৎ কাংবু অমনা হৌখিবা মে ৫ দা থোকখিবা লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎতা শোকহনখ্রবা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং য়াওনা ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিংদা চৎতুনা অমাং আতাগী ফীভম য়েংশিনবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। মীহুৎ কাংব ু অসিনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট,

সেনাপতি,কাংপোকপী অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাদা চৎতুনা য়েংশিনখি। কাংবু অসি হয়েং ফাওবা রাজ্য অসিদা লৈদুনা অকুপ্পা রিপোর্ট লৌখৎলবা মতুং থা অসিগী ১৩ দা ইম্ফাল থাদোকখিগনি হায়রি।

ঙসি মীহুৎ কাংবু অসিনা সেনাপতি জিলাগী লেন য়াওনা নোংলৈ নুংশিৎনা শোকহল্লবা মফমশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট কো-ওর্দিনেটর-জি. গোলমৈ য়াওনা মীহুৎ কাংবু অসিনা জিলা অসিগী কারোং, বাখো এগ্রীকলচরে লেন্দ, বাখো ফুদ ব্রিজ সাইট, য়াউপাউ কোলোনি অমসুং রিভর কোলোনিনচিংবা মফমশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখি।

**উখ্রুল (এল)ঃ** উখ্রুল জিলাদা উহৈ ৱাহৈ মুল্লকপগী মতম য়ৌরকপগা ইরোইননা জিলা অসিদা মরাং কায়না ফংবা হৈখো মপুং ফানা মুনবা হৌরে। মসিগা লোয়ননা জিলা অসিগী মরুওইনা নুপীশিংগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবগী মরুওইবা লম্বী অমসু ফংবগা লোয়ননা হৈখাদগী তোঙান তোঙানবা মখলগী পোৎথোকশিং পুথোকপগী থবক পায়খৎনরি।

হৈখাগী কেন্দি, হৈখাগী জাম অমসুং হৈ মহি মরাং কায়না পুথোকপা হৌনরে।

**লান্মী(এল)ঃ** ভারত লান্মীনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমলাইদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা ঙসি কমপ্রেহেন্সিপ মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। বেলনেস বিগিন্স এট হোম হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা নুপী ৩৮৬ য়াওনা পুন্না মীওই লিশিং ১,৩৭৮ রোম লায়েংখি। ভারত লান্মীগী মেদিকেল প্রোফেস্নেলশিংগা লোয়ননা পি.ঐচ.সি. হৈঙাং, পি.ঐচ.সি. শওম্বুং অমসুং সি.ঐচ.সি. শগোলমাংগী দাক্তরশিংসু কেম্প অদুদা শরুক য়াখি।

**এআর(এল)ঃ** আই.জি.এ.আর (সাউথ) অমদি ৱি কিয়ার স্কিল সোলুসন অনিনা খুৎশমনা ঙসিদগী স্কিল দিবলপমেন্ট প্রোগ্রাম অমা ইম্ফালগী নোর্থ

এ.ও.সিদা লৈবা সনজিবিনিদা হৌদোকখ্রে।

চয়োল অনি চুপা চথুগদবা স্কিল দিবলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসিদা মীওই ৯০ না শরুক য়ারি। থৌরম অসিদা হোস্পিতালিতি অমদি রির্টন মেনেজমেন্টকী মতাংদা ত্রেন্নিং পীদুনা শরুক য়ারিবা মীওইশিংদা মশা মশাগী শিনফম অমমম পীননবা পান দম থল্লি। পনবা য়াই, ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসিগীদমক থা অসিগী অহুমদা অসাম রাইফলস অমদি ৱি কেয়ার স্কিল সোলুসনগী মরক্তা য়ান্ন-চে অমা সহি তৌনখি।

**কংগ্রেস(এল)ঃ** কংগ্রেস লুচিংবা অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি ওক্রম ইবোবী সিংহনা মণিপুরদা হৌজিক পাল্লিবা সরকার অসি দাইত্বা লৈবা সরকার অমা ওইনা দাইত্ব খঙনা থবক তৌবীনবা হায়রি।

ইম্ফালদা পাউগী মীফম অমদা শ্রী ইবোবীনা হায়-মালেমগী খ্বাইদগী লীরবা রাজনীতি দল অমা ওইরিবা কংগ্রেস দলনা কৈদৌঙৈদসু লৈবাক্কী অপুনবা অমদি অমত্তা ওইবা শক্তম কায়নবা থবক তৌরক্ত্রি। মহাকা হায়-হৌখিবা লোক সভাগী মীখলদা কংগ্রেসনা কৈদৌঙৈদা কাংলুপ অমত্তগা তোখায় তান্নবগী ৱাফমদা য়ান্নখিবা লৈতে।

মনিপুরদা চহি অমা হেল্লক্লবা ইরাং অসি সরকার অসিনা ঙসি ফাওবা য়েংশিনবা ঙমদনা লৈরিবা অসি য়ামা লাইবক থিবনি।

**ডে (এল)ঃ** মনিপুর অৱাং চিংখৈ কনবা ক্লব অমসুং মৈরা পায়বী অপুনবা লুপকী অহানবা কুমওন, ইম্ফাল উখ্রুল লম্বীগী খুরাই সাজোর লৈকাইদা লৈবা উত্তরায়ন ঠিয়েটর হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগা মরী লৈননা মনিপুরদা শান্তি হনজিলহলহল্লকবা হোৎনবদা মনিপুরগী মীয়ামনা লৌগদবা থৌদাং হায়বা হীরমশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা অমসু পাঙথোক্কনি।

**উ(এল)ঃ** ৱাপোকপী য়ুথ দিবলপমেন্ট ক্লব-ৱাপোকপী অমদি মনিপুর চনুরা লমজিং লুপ-বিষ্ণুপুর অনিনা খুৎশমদুনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগা মরী

লৈননা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী ৱাপোকপী মনিং লৈকাইগী অকোইবদা উ-চারাশিং থাখ্রে।

**এদুকেসন(এল)ঃ** চহি অসিগী ফেব্রুৱারী মরিদা পাঙথোকখিবা নেসনেল মিন্স কম মেরিট স্কোলারসিপ পরিক্ষাগী ফল লাউথোক্লে। পরিক্ষা অসি সরকারগী অমদি গভরমেন্ট এদেদ স্কুলশিংগী ক্লাস আইট তল্লিবা মহৈরোইশিংদা স্কোলারসিপ পীননবা পাঙথোকপনি। পরিক্ষাগী ফল এদুকেসন (এস) কী ৱেবসাট-ডব্লিয়ু ডব্লিয়ু ডব্লিয়ু দোট মনিপুর এদুকেসন দোট জি.ও.ভি. দোট ইনদগী খঙবা য়াগনি।

**ওকপা (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাদা হেট স্তার্ট একাডমীনা, নিট পরিক্ষাদা মায় পাক্লকখ্রবা একাডমী অসিগী মহৈরোই তরেৎপু তরামা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কল্লেক্তর-ডা: এল. অংশিম দাংশুৱা, খৃষ্টান হেরিটেজ ইন্সটিট্যুটকী প্রিন্সিপালনচিংবা শরুক য়াখি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** শিংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা চত্থরিবা অহানবা ওইনাম চারলি মেমোরিএল অন্দর ফিফতিন বোইজ সোক্কর টুর্নামেন্টকী ঙসি মেটচশিংদা পান্থোইবী এফ.সি. লংথাবালনা এফ.এ. লাংমৈদোংবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

রুট এফ.এ. লংথাবালনা গ্রীনলেন্দ হাউরৈবীবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে। বি.এফ.সি. টিম (বি) কোংবনা এস.এস.সি. পোরোম্পাৎপু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** কাংশোইবী মপাল প্লে গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অহানবা ষ্টেট লেবেল লাইরেনজম সনাতোম্বী লৈমা মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসিগী মেটচতা এম.এম.ৱাই.সি. মোইরাং মন্তকা আই.এম.সি.সি. ইথাইবু পাঞ্জল ৫-৩ থোইখ্রে।

**বাস্কেটবোল(এল)ঃ** বাস্কেটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা বাস্কেটবোল মশান্নবু চাউখৎহন্নবা পান্দমদা চহি ১৪ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী ওইবা টেলেন্ট স্কাউটিং প্রোগ্রাম অমা থা অসিগী ২২ অমসুং ২৩ দা গুৱাহাতিদা পাঙথোক্কনি। য়াওনিংবশিংনা অকুপ্পা মরোল-মনিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসনদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

**ওকপা(এল)ঃ** রাজস্থানদা পাঙথোকখিবা ১৩ শুবা নেসনেল লেবেল সব জ্নিয়ার অমসুং জ্নিয়ার পৱার লিফতিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ দা লুপাগী তকমান লৌরক্লবা রাজকুমার-থোইবসনা ঙসি সনা জমস্থান ক্লব-কৈশামথোং নম্বুল মপালদা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

**ফুটবোল (এল)** ঃ মণিপুরগী ফুটবোল শান্নরোই নুপামচা মরি হৌখিবা মে ২৬ তগী ২৮ ফাওবা ইম্ফালদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না পাঙথোকখিবা ওপন ত্রাইয়েল অদুদগী খল্লে। মখোয়শিং অদুদি- ত্রাউগী ঐচ. মোসেস, মণিপুর এফ.সিগী অহোংশাংবম অভিনাস, খুরখুল য়ুথ ক্লব নোর্থকী ঙাংবম রোনালদো অমসুং ত্রাউগী অহৈবম রোনান দেবনি। মখোয় মখা তানা ফিফা-এ.আই.এফ.এফ একাদমি ত্রাইয়েল য়াওনবা চৎলিবা জ্ন থা অসিগী ১৬ তা উরিষা ফুটবোল একাদমি, ভুবনেশ্বরদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা হায়রি। ত্রাইয়েল অসি জ্ন ১৭ তগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি। খল্লবা শান্নরোইশিং অসি জ্ন ২০ দা চৎখিগদবনি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-লৈবাক অসিনা টেরোরিজম অমদি নক্সালিজমগী মায়োক্তা অকনবা থবক লৌখৎকনি।

মহাকা হায়-প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী অহুমশুবা সরকার অসিদা কেন্দ্রগী হোম এফিয়ার্স মন্ত্রালয়না সেক্যুরিতিগী শক্তি হেন্না কনখৎহনদুনা অনৌবা

থৌরাং কয়া পায়খৎপগা লোয়ননা লৈবাক অসিবু শক্তি লৈবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা পান্দম থল্লি। কো-ওপরেসনগী থৌসু পুরিবা শ্রী সাহনা হায়-সরকার অসিনা লৌমীশিংবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনগনি।

নরেন্দ্র মোদিগী অনিশুবা সরকারদা পায়খৎখিবা থবকশিং শিংথারদুনা শ্রী অমিত সাহনা হায়-জম্মু কাশ্মিরদা আর্টিকলচর ৩৭০ লৌথোকখি। সিটিজন এমেন্দমেন্ট এক্ট সংসদতা পুথোক্তুনা পাস তৌখি। মসিনা য়ুমথংনবা লৈবাক পাকিস্তান, অফগানিস্তান অমদি বঙ্গলাদেসতগী মাইনোরিতিশিংবু লৈবাক অসিগী নাগরিক ওইবা য়াহনখি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-লৈবাক অসিগী মীয়ামনা শান্তি, তংদু লৈতাবা অমদি মাংলোমদা চংশিনবা পাম্মী।

পাকিস্তানগী হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অমদি পি.এল.এলগী লুচিংবা নৱাজ সরিফনা মহাকপু অহুমশুবা টার্মগী প্রধান মন্ত্রি ওইরকপদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমগী পাউখুম পীরদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিগী মীয়ামবু মশা মউ ফনা লৈহনবা হায়বসি মহাক্কী সরকারগী পান্দমনি। হন্দক্কী মীখলদা চাউনা মায় পাকপা অসিনা মহাক্কী সরকারদা মীয়ামনা ঙসিসু থাজবা থল্লি হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লে হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা মখা তাখি।

**উরিষ্যাঃ** মোহোন চরন মানজি, উরিষ্যাগী অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি ওইরগনি হায়না কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা লাউথোকখ্রে।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী রাজনাথনা হায়-মোহোন চরান মানজিবু উরিষ্যাগী বি.জে.পি. লেজিসলেচর পার্টিনা য়েৎনবা য়াওদনা খনখিবনি। মোহোন চরন মানজি হন্দক্কী অসি থারগা মরিরক বিধান সভাদা কারক্লবা মীওই অমনি।

**য়ুজিসি ঃ** একাডমীক সেসন ২০২৪-২৫ দগী হৌরগা লৈবাক অসিগী য়ুনিভরসিতি অমসুং হয়ার এদুকেসন ইন্সটিট্যুটশিংদা চহি অমদা অনিরক মিং চনবা য়ারগনি।

যুনিভরসিতি গ্রান্ট কম্মিসন (য়ু.জি.সি) গী চেয়ারপার্সন-এম. জগদিস কুমারনা হায়-অনৌবা নিয়ম অসি মপান লমগী য়ুনিভরসিতিশিংদা চৎনদুনা লৈরবা মওংনি। অনৌবা থৌশিল অসিগী মতুং ইন্না চহি অমগী জানুৱারী, ফেব্রুৱারী, জলাই অমদি আগষ্টতা মিং চনবা য়াগনি। পনবা য়াই, মমাং চহিগী জলাই ২৫ দা কম্মিসন অসিগী ১৭১ শুবা মীফমদা চহি অমদা অনিরক মিং চনবগী থৌশিল অসি ওপন এন্দ দিসটেন্স লরনিং অমসুং ওন লাইন খক্তদা অয়াবা পীরম্বনি। মসিনা মহৈরোইশিংনা হান্না পরিক্ষা হায়দোকপগী মতম থেংথবদগী থেংনবদগী মিং চনবা ঙমহৌদবগী খুদোংচাদবা অদু কোকহল্লগনি হায়রি।

**সিক্কিমঃ** শ্রী সনজিট খরেলবু সিক্কিম বিধান সভাগীপোরটেল স্পিকর ওইনা ঙসি খনখ্রে। মহাকপু রাজ্যপাল-লক্সমন প্রসাদ অচ্যারিয়ানা থবক পায়বগী ৱাশক লৌখি।

গেংতোক্কী রাজ ভবনদা ঙসি ৱাশক লৌখিবা শ্রী খরেলনা ১১ শুবা সিক্কিম বিধান সভাগী মীফম হৌদোকপা নুমিৎতা পোরটেল স্পিকর ওইনা থবক তৌগনি। মহাকা বিধান সভাগী নৌনা কারক্লবা সদস্যশিং ৱাশক লৌগনি।

**টেক্স** ঃ কেন্দ্রনা রাজ্যশিংগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা মতেং ওইনবা টেক্স ওইনা খোমগৎখিবা অপুনবা শেনফমদগী লুপা কোতি লাখ ১ লিশিং ৩৯ জন্ থাগী ওইনা রাজ্যশিংদা পীথখ্রে।

শেল থুম মন্ত্রালয়না হায়- শেনফম অসিনা রাজ্য সরকারশিংদা শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবা অমসুং অতৈ শেল থাদবা ঙমহল্লগনি। উত্তর প্রদেশনা খ্বাইদগী য়ামা লুপা কোতি লিশিং ২৫, বিহারনা লুপা কোতি লিশিং ১৪ হেন্না, মধ্য

প্রদেশনা লুপা কোতি লিশিং ১১ রোম অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলনা লুপা কোতি লিশিং ১০,৫০০ খরা হেন্না ফংলে। হন্দক পীথরিবা শেনফম অসিগা লোয়ননা কেন্দ্রনা চৎলিবা চহি অসিগী জন্ ১০ ফাওবদা রাজ্যশিংদা পীথখিবা শেনফম লুপা কোতি লাখ ২ লিশিং ৭০ শুরে।